দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর জোন থ্রী থৌবালনা শীন্দুনা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা থৌরমশিংদা মহৈরোয় ৩৫০ রোম্না শরুক য়াখিবা



দি এম সী টি ঈগী এন্যুএল কম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেন্সন প্রোগ্রামগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা থৌরম লোইশিনখিবদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা নোংমগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা




অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা ককচিং পব্লিক স্কুলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরমদা ক্লাস থ্রীদগী সিক্স অমদি ক্লাস সেভেনদগী টেনগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা



ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্লকপা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগী থৌরমগা মরী লৈননা চথরিবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী মনুং চন্না তেংনৌপলগী মোরে সব-দিভিজনগী অয়ুশ হোস্পিটালদা ইট রাইট ৱাকাথোনদা শরুক য়াখিবশিং




## মীদিয়া ফেল্লোশিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স)গী অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২২-২৩ গীদমক চহী ৩ হেন্না জর্নেলিজমগী লমদা থবক তৌরক্লবা জর্নেলিষ্টশিংনা চৎলিবা ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লাই তৌবীরকপা য়াগনি। মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসি থা ৬ ওইগনি। লোয়ননা খল্লবা জর্নেলিষ্ট অনীদা ষ্টাইপেন্দ ওইনা পুন্না লুপা লিশিং ৫০/৫০ পীগনি। ন্যু সেক্রেটরিয়েট ৱেষ্টর্ন ব্লোক্তা লৈবা মেক্সকী ওফিসকী রুম নম্বর ১১৭তা লাক্তুনা খঙবীবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৯৮৫৬০৮৬০৮৫ দগী খঙবীবা য়াগনি হায়না মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাওবম রোসিতাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা কুমজা ২০০৩গী ওগষ্ট ১দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা সনামহী লাইনিংবু সেন্সস রিপোর্টতা রেকোর্দ তৌহনবা লোয়ননা তোঙানবা কোদ অমা রিলিজন অসিগী পীহন্নবা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা হায়বা রিজোল্যুসন অদু চহী অসিগী ওগষ্ট ৫দা পাঙথোকখিবা অরোইবা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীফমদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন ওইনা ট্রেজ রি বেঞ্চতগী লম্লাই এ সীগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা পুখৎলকখিবগা লোয়ননা হাউসনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা রিজোল্যুসন অদু রি-এফার্ম তৌবগা লোয়ননা সেন্টরদা তকশিনবা হায়বা ৱারেপ অদু ওপোজিসনগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনসু শৌগৎখি। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি এসেমব্লীগী মীপুম খূদিংমক্ক া অয়াবা পীবীখিবা অদু মীতৈ নেসনল এসেমব্লীনা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইরুংবম মনন মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)গী হান্নগী থৌপুরেল চনম নবচন্দ্র মৈতৈনা ময়াই তাংবল লৌদুনা তোঙান তোঙানবা অমাইবা, অমাইবী, পেনা অশৈবশিংগা লোয়ননা কোনুং মমাঙদা লৈবা উকলগী ময়াই লোয়শঙদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা চহী ৩গী ওইনা উকলগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। থৌ পুগদবশিং অদুদি লুচিংপুরেলদা চনম নবচন্দ্র, লুচিংপুরেল য়াইমাদা অকোইজম ইবোমচা, লুচিংপুরেল অতোনবা মোইরাংথেম জিলাঙম্বা মৈতৈ, লুপলাকপদা মুতুম মনিতোন মৈতৈ, শেলুংবদা হাওবিজম বিদ্যানন্দ অমদি পাওজেল্লোইদা থৌনাওজম রতনকুমার মৈতৈনি হায়না উকলগী পাওজেল্লোই রতনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা শন্দোরক্লিবা শা-ষনদা নাগনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা ভেটিরিনরি বিষ্ণুপুরগী জোইন্ট দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা নম্বোল ভেটিরিনরি হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংনা নাওরেম অৱাং লৈকায়দা এফ এম দি অমদি এন্টি রেবিসকী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না নাওরেম অৱাং রাইজিং ক্লবকী সেক্রেটরি এম বিজেনকুমারগ চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : ওগষ্ট ১৩গী অয়ুক ৯দগী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা ১৩১শুবা পেট্রিওটিক দে ওফ মণিপুরগী থৌরমগা মরী লৈননা ভল্টন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ফুরুপশিংগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবগী মহুৎতা লৈঙাক্লা রুল ওফ লো লৈ খঙহনবা চুমগনি : সী সী এস কে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): লমদম অসিবু ঙাক্লিবা লৈঙাক্ল া লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবীবগী মহুৎতা লমদম অসিগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা মওংদা ঙাংবা শকপা অমদি তৌথোরকপা থবক খূদিংমক চপ চানা থিংগদবনি। মদু নত্তনা ফুরুপ অমা/অনীগী সেন্টিমেন্ট য়েংলগা লৈবাক ঙাকপীগনু। লমদম অসিদা রুল ওফ লো লৈ তাকগদবনি অমদি য়াদে হায়বদু উৎকদবনি। মাঙলমচৎতা নাও চাউহনখিবদুনা তৌরকখিবা থৌওংশিংনা চিনফা পুখিবদুনা অমুক হন্না তৌশিল্লকপদগী ঐখোয় খূদিংমক টেন্সন লৈনা হিংহল্লে হায়না কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সী সী এস কে)কী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি অঙকপা মওংদা মমাংঙৈগা মান্নদবা মওং অমদা ওইরক্লি। লমগী ৱাহৌ, য়েলহৌমীগী ৱাহৌ, লৈঙাক্লোনগী ৱাহৌ অমদি খুন্নাই অসিদা শাথিনা চৈথেং পীরিবা ৱাথোকশিং পুম্নমক অসিগী মথক্তা কাঙলুপ খরনা অমুক লৈবাক অসি মখুৎতা পায়বগুম্না পংতৌদা তৌনরকপা, ওথোরিটি ওইশিল্লকপা কয়ানা কাং-খোং চাইরবা অমগুম উহল্লে। মশানা মশাবু মীয়ামগী থবক তৌবনি হায়বা অদুগা লমদম অসিনা করি করম্বা থবক পাঙলি অমদি চঙশিল্লি খঙদনা মানা মানা পান্বা অনীংবা অপাম্বদা ইমোসন্না মাঙদা থারগা ঙাংবা শকপা কয়ানা ইরমদম অসি নিক-নিক লাউহল্লে।

অমরোমদা, ইশাগী রাইট তানবা অদুগা দ্যুটিনি খঙদবা, খঙশিন্নদবা খরনা কাঙলুপ-ফুরুপকী মিংদা ইরমদম অসিবু ওন্থোকপা মওংদা অমদা পুনবা হোৎনরক্লে। ইশাগী রাইট ফংবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইটনি। মদুনা মরম ওইরগা ফংফম থোকপা রাইট তাল্লিবনি হায়দুনসু ইশাগী রাইট তানবদা অতোপ্পা হিংমিন্নরিবশিংদা শাথিনা অকায়বা পীরবদি মদু তশেংনা লেপকদবনি। মদু হেন্না তুংদা অকায়বা লাক্কনি হায়বসি রাইট তাল্লিবশিংনা খঙগদবনি।

হেন্না ঙক্লিবদি দেমোক্রেসিগী মিংদা মশা কনানো খঙজদনা হায়দোরকপা তৌথোরকপনা মীরমগী মওংগুম তৌবা, লিচৎ-শাজৎ, ৱাঙাং-শাঙাং, ফিজেৎ-চাকচা, লাইনিং-লাইশোল পুন্বা থাদোকখ্রগা ইরমদম অসিবু নুংশিবা শাশিন্নবদুদি ইহো হোনা খঙই। ঐখোয় পুন্বনা হিংমিন্নরিবা ইরমদম অসি ঙসিগী থাক অসি ওইনবা অমদি য়ৌনবা হোৎনবদা থেঙ্খাং কয়াদা অৱাবা নংদুনা লোয়নজরক্লিবা ইরমদম অসিগীদমক থৱায় কৎথোকখ্রবা কয়াগী মচা-মশুশিংনা করি করম্বা ৱাখল খল্লমগনি হায়বসু খঙবা চুম্মী।

পুম্নমক অসি মুন্না য়েংবীরগা পোলিটিসিয়ন অমদি মীওই খুজোক খরনা তৌরিবা থবক অসিদা হকথেংননা ইনশিল্লিবা, থবক পাঙলিবশিং লৈঙাক্ল া ৱাখল তাহনবীয়ু। লৈঙাক্লা করি অশোয়বা লৈখ্রে, লৈরি অমদি লৈরক্কদৌরি হায়বসু মুন্না য়েংলগা অপূনবগী হিংমিন্নরিবশিংগী অশানবা মীৎয়েং উরগা থবক পাঙবীয়ু। মতুং তারকপদা মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা য়াবা থবক তৌবীগনু। মদু নৎত্রবদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরকপদা অহেনবা পাম্বৈ কয়া তৌনরক্তুনা ওন্থোকপা মওং অমদা ওইরকপসু য়াই। ঈহৌ হৌরিবশিংসু অদুগা লৈঙাক্তসু অশোয়বা লাক্কনি। মদুনা হেন্না ফৎতবা পুরক্কনি হায়বা ৱাফম মাঙজেনিনা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ‘চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবগীদমক বেনিফিসরিশিংদা স্কিম য়ৌহনগদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না পরিং নাইনা চখরকপা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক হন্দক চহীগী ওইনা ঙসিদগী হৌরদুনা থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে। থৌরম অসি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা পাঙথোক্কনি। ইরমদম মণিপুর অসি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহনসি হায়রবদি গভর্ণমেন্টনা থাদরিবা স্কিমশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট বেনিফিসরিশিংদা য়ৌহনবা তঙাইফদে। স্কিম খূদিংমক মফম মরাং খঙদনা লোইশিনখ্রগদি মপান্দগী পুশিল্লকপা হায়বদি নিরগা চাবা তাবনি হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কোন্থৌজম মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ফার্মরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম কম দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ য়ুরিয়া এন্দ রবি ক্রোপস হায়বা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৌমীশিংনা চহী অমগী পোখোক পুথোক্লগা ইরমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না চাগদবা মরম্না লৌমীশিংদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং অরায়বা মওংদা ফংহনগদবনি। মণিপুর অসি নোংয়াম্না তাবা লমদমনি। অদুবু ঈথৈ-লৌখোং ফৎতবদগী খুৎশেমগী ঈচাউ থোকহনবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদা অৱাবা মায়োক্লবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট হরিয়ানা নোং লিক্লা তারবসু লৌমীশিংদা ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দবনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার বেগ ৫০ য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা নিংথম মরু-মরাং লেম্না য়েন্থোকখি। লোয়ননা সবসিদি রেটতা স্প্রেয়র্স পম্পসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা য়ু সী এমগী কন্সল্টেটিভ মেম্বর ঐচ ইবোতোম্বী খুমন; ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এ ও, এস কেনেদি; সিটিজন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট কে রনবির; কোন্থৌজম জি পিগী উপ-প্রধান কে রাজেন্দ্রো অমদি কোন্থৌজম মমাঙ ৱিমেন সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ বিমোলাসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা এ ও (ক্রোপ প্রদক্সন) টি ঐচ তোম্বা, এ এ ও (ক্রোপ প্রদক্সন) কে ঐচ নিমাইচান্দ অমদি এ এফ ও, এন শান্তকুমারনা শরুক য়ারদুনা নোংমগী ওইনা পাঙথোকখিবা ফার্মরস ট্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা রবি ক্রোপকী মতাংদা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মচা খায়না তাকপী তম্বীখি হায়রি।

# শান্নরোইশিংবু থাগৎলি : সী পি আই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : হন্দক্তা য়ু কেগী বেরমিংহামদা ২২শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোই সাইখোম মিরাবাই চনু, বিদ্যারানি সোরোখাইবম অমদি সুশিলা লিকমাবম য়াওনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কয়ানা মমল য়াম্লবা মেদল ৬১ লৌদুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপগীদমক মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না এম এস সী, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী মরক্তা মণিপুরগী মিরাবাইনা অহানবা গোল্ড মেদল লৌদুনা মেদলগী একাউন্ট হাংবা ঙমখি। ফংলক্লিবা মেদলশিং অসি শান্নরোইশিং অমদি কোচশিংগী হোৎনজমলগী মপালননি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা তৌবগুম লৈঙাক্লা মপুং ফানা শান্নরোইশিংবু শেমগৎপগী মওং অদুদদি লৈবাক অসিদা য়াম্নমক ৱাৎলি। অদুগা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হোৎনজবসু পন্দবা য়ারোই। মখোয়গী হোৎনজমল অসি ঐখোয় খূদিংমক্না থাগৎফম থোকই। লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোইশিংবু মথংগী ওলিম্পিক্স গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়রি।

# লৈঙাক্লা থোরক্লিবা ওর্দর ওজাশিংনা য়াবা ঙম্লোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (এস)না চৎলিবা থা অসিগী ৫দা হৌজিক চথরিবা প্রাইমারী টিচরদগী গ্রেজ্যুএসন টিচরদা প্রমোসন পীনবগী থৌরাংগা মরী লৈননা থোকখিবা ওর্দরগী মখাদা গ্রেজ্যুএট ওইরবা ওজাশিংনা চাদা ৫০ মার্ক য়ৌবা ওজাশিংদগী মার্কসিট সবমিট তৌননবা ওর্দর অসি মতম শাংনা প্রমোসন বিনিফিট তান্দুনা লাক্লগা ওজাশিংনা য়াবা ঙম্লোই হায়না গ্রেজ্যুএট টিচর্স প্রমোসন দিমান্দ কম্মিটিগী কনভিনর ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা ২০১৬কী নবেম্বর ২৬তা মতমদুগী এন প্রবীননা এদ্যুসেকন দিপার্টমেন্ট (এস)কী দিরেক্টর ওইরিঙৈদা চহী ৫ ইন-সর্ভিসতা লৈরবা প্রাইমারী টিচরশিংনা গ্রেজ ্যএট টিচর কানবগী প্রফোমা থাগৎপা য়াগনি হায়না ওর্দর অমা থোকপীখি। ওর্দর অদু মতমদুগী ষ্টেটকী আর আর-২০১৬তা পীখিবা রুলশিংগী মতুংইন্ননি। অমরোমদা, ২০১৪দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদসু করিগুম্বা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট অমদি প্রমোসনগী দি পি সী পাঙথোকপদা মতমদুদা লৈখিবা আর আর অমদি ভেকেন্সিদা বেজ তৌগনি হায়না পল্লি। লোয়ননা দিপার্টমেন্টনসু কুমজা ২০২১গী মার্চ ৩১ ফাওবগী ভেকেন্সিদা য়ুন্সফম ওইরগা দি পি সী পাঙথোক্লবা মতমদুগী হায়বদি ২০২১গী ওক্টোবর ১৫দা সেক্রেটরিয়েট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (এস)না কনভে পীদুনা ২০২১গী নবেম্বর ১৮দা প্রমোসন দি পি সী পাঙথোক্লবা ওর্দর থোকখিবনি। অদুবু কনাগুম্বা ওজাগী গ্রুপ খরনা কেস তৌরকপদগী দি পি সী অদু য়েথোকখিবনি। ওজাশিংগী রাইট ভাইওলেট তৌরবদি এসোসিএসন্না অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লগনি হায়রি।

# মহৈরোয়শিংনা লাই য়েকপা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা ককচিং পব্লিক স্কুল, ককচিংনা শীন্দুনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অদুদা ক্লাস থ্রীদগী সিক্স অমদি ক্লাস সেভেনদগী টেন হায়না কাঙলুপ অনী থোক্তুনা পাঙথোকখি। চাংদম্নবা অদুগী মপুং ওইবা থীমদি চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা মমা লৈবাকপু নুংশিবা অমদি নেসন অসিগী ফিরালবু ঈকায়খুম্নবা হায়বসিনা ওইখি। চাংদম্নবা অসিগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা পীবগী থৌরমনা লাক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা পীগনি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল লৈশাংথেম কেশোচন্দ্রনা ফোঙদোক- খিবদা, হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা মরমদমবু নুংশিবা অমদি ইফুরুপ নুংশিবগী ৱাখল্লোন অসি মমি শাল্লকপগুম তৌরি। অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদুবু নাথৈদুনা মরৈবাক মরমদমবু অমদি নেসনল ফ্লেগপু ঈকায়খুম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়খি।

# অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা থা অসিগী ১৭তা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালগী মীপুন শঙলেনদা দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরনা চহী অসিগী ওইবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম ২০২২ পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিদা চহী অসিগী জুন থাদা বেঙ্কোক্তা অমদি জুলাই থাদা নেপালগী কাটমন্দুদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা য়াওহৌদবা মনা ফংগদবা মীওইশিংদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনাসু য়েন্থোক্কনি হায়না দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরি বি কে মঙাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংদা কৎচবা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনিংবা মীওইশিংনা অইবা শৈরেং কোপী অমমম পীশিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা ফোঙগদবা চেফোঙদা হাপ্লবগী খুদোংচাবসু পীরি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৭০০৫৭৮০১২৫ অমদি ৭০০৫২৩৯৪১৭ তা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

থৌরম অসি উখুলগী এম এল এ রাম মুইভা, ৱাংখৈগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার অমদি দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর নোংমাইথেম রাজমুহোনন্না অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা পুং ১১ দগী থৌরম হৌগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# ইট রাইট মেলা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : ফুদ সেফ্টি এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শীন্দুনা মোরে সব-দিভিজনদা লৈবা অয়ুশ হোস্পিটালদা ইট রাইট ৱাকাথোন এন্দ ইট রাইট মেলা পাঙথোকখ্রে। মেলা অসি মীয়ামদা অফবা চীঞ্জাক চাবা অমদি নুংঙাইনা পুন্সি হিংনবগী পান্দমদা এৱ্যের্নেস পীবা ওইনা পাঙথোকপনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস তেংনৌপলগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদু দি সী তেংনৌপল মানু আমচিংনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা পব্লিক হেল্থ সেন্টর গেটতগী হৌদোকখি হায়রি। থৌরম অসি ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমদি স্লোগান কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা মেলা অদুদা ওর্গানিক ওইবা ফুদ আইটেমশিংগী ষ্টোলশিংসু হাংখি। কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তারকখ্রবশিংদসু মনা পীখি। থৌরমদুদা এল বোবি, ডা. কে ঐচ গোজেন অমদি দি এল ওশিংসু শরুক য়াখি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XIII, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 28/AS&SO/XIII** **Date 08/08/2022**

Hanjabam Sudheina Devi, W/o. (L) Hanjabam Kunjakishor Sharma of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal -Petitioner

-Vrs-

(Late) Hanjabam Kunjakishor Sharma, S/o. (L) Mani Sharma of Ningthem Pukhri Mapal -O.P.

**ꯁꯟꯗꯣꯛ / NOTICE**

Imphal, 10/8/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং 99 অরিবা 505 অনৌবা দাগ নং 1221 এরিয়া .08 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Hanjabam Kunjakishor Sharma মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 17/8/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XIII, Manipur**

HL-P/3646/11

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 83/AS&SO/XI** **Date 10/08/2022**

Pritam Mayengbam, S/o. (L) Mayengbam Premchand Singh of Soibam Leikai

-Vrs-

(Late) Mayengbam Premchand Singh, S/o. (L) M. Haridas Singh of Soibam Leikai

**ꯁꯟꯗꯣꯛ / NOTICE**

Imphal, 10/8/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-Soibam Leikai পাট্টা নং 133 (Ang) অরিবা 456/961 অনৌবা দাগ নং 1191/1525 এরিয়া .033 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Mayengbam Premchand Singh, S/o. (L) M. Haridas Singh of Soibam Leikai মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী/দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা-মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 18/08/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Imphal East, Manipur**

HL-P/3645/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 238/SDC/IW-L/2022**

Chingangbam Nungshithoi Devi, W/o. (L) Ito Singh of Taothong - Petitioner

-VS-

Late Chingangbam Ito Singh, S/o. (L) Tomba Singh of Taothong - OP/Party

**ꯁꯟꯗꯣꯛ / NOTICE**


03/08/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার চিঙ্গাংবম ইতো সিংহ পীতা মৃত তোম্বা সিংহ সাং তাওথোংগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৫-তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৪৫ দাগ নং ৩৮০/২০৫৯ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.০২০৭৫ গী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, IW-Lamsang**

HL-P/3644/11

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা অমদি মচিং হান্বা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না হান্বা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না তোয়না চৎপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, খোঙ অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিং মচিং হান্বা, লম চৎকনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা খোঙ তোয়না হান্বা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপনা হকচাং চোকথবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু হিদাক চারবসু খকউ য়াদবা, ঈ লেপ্তুনা তাবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং অসি শোন্থরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চনা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোক্লগা থাগৎপা, অমাংথোঙসু লুম-লুম লাউরগা লৈবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা লৈবা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, শা-ঙা, থাউ-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **W. Arunkumar Singh**
Kakwa Bazar

HL-B/7731/11

**RANGOON RESTAURANT**
WANGJING – LAMDING BAZAR, MANIPUR – 795148

**ꯒꯝꯐꯝꯃꯇꯦꯡ/POST VACANCY**
The 08th August 2022

Applications are invited from the eligible candidates for the following post

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Chef | Having knowledge in nutrition, culinary techniques, butchery, pastry preparation, and regional or specialty cuisine topics for Chinese, Continental and Thai Sous | 2 | Negotiable |
| 2 | Cook | Having knowledge in preparation of regional or specialty cuisine topics for Chinese, Continental and Thai Sous | 3 | |
| 3 | Counter Attendants | XII Passed | 4 | |
| 4 | Table Busser | 10th Passed | 2 | |

Last Date of application submission : 18/08/2022
Date of Interview : 20/08/2022
Venue and Timing : A – Block Slopeland Public School at 10:30 AM

Sd/- Manager
Rangoon Restaurant
Contact Details:- +91-9615965922

HL-P/3635/10,11

**SLOPELAND COLLEGE OF TEACHERS EDUCATION (NAAC ACCREDITED) KHONGJOM, MANIPUR-795148**

**ꯒꯝꯐꯝꯃꯇꯦꯡ/POST VACANCY**
The 9th August 2022

**Applications are invited from the eligible candidates for the following post of Assistant Professor on plain paper with Bio – Data**

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | No. Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Professor in Perspectives in Education or Foundation Courses | a) Postgraduate degree in Social sciences with minimum 55% marks; and b) M.Ed. degree from a recognized university with minimum 55% marks. OR a) M.A in Education with 55% marks b) B.Ed. with at least 55% marks | 2 | As per Govt. Basic Pay Rule |
| 2 | Assistant Professor in Curriculum and Pedagogic Courses of Social Science | a) A Master's degree with 55% marks in a concerned/relevant /allied subject b) M.Ed. with at least 55% | 2 | |
| 3 | Assistant Professor in Curriculum and Pedagogic Courses of Science | a) A Master's degree with 55% marks in a concerned/relevant /allied subject b) M.Ed. with at least 55% | 2 | |

Last date of application submission : 20/08/2022
Date of Interview : 22/08/2022
Venue and timing : College A - Block at 10:30 AM

Sd/-Principal
Slopeland College of Teachers Education
Contact details: +91 9615965922 / +91 9615520109

HL-P/3635/10,11